**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 14-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষনা লুচিংবা এম.এল.এ কাংবু অমনা লৈখিদ্রবা বি.এস.এফ জৱান দিপক চীংঙাখমগী য়ুমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং উন্নখ্রে, লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

২) বি.জে.পিনা শিন্দুনা নুমিৎ ১১ নি চুপা ভারত শিন থুংনা চথুগদবা তিরঙ্গ যাত্রা ঙসিদগী মণিপুরদসু হৌখ্রে।

৩) ঙসি অসি মালেমগী লৌমীশিংগী নুমিৎনি। লৌমী য়াইফ লুপ (লোয়া লুপ)কংলৈপাকা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা নুমিৎ ২১ নি চথুরকপা এন্তি মাওইষ্ট ওপরেসনদা নুপী ১৬ য়াওনা মাওইষ্ট ৩১ হাৎখ্রে।

অমসুং

৫) পাকিস্তান রেঞ্জরসনা হৌখিবা এপ্রিল ২৩ দগী ফাজিনদুনা থম্লকপা বি.এস.এফকী জৱান পুরনম কুমার সো ঙসি অয়ুক থাদোরক্লে।

------

ভিজিৎ(এল)ঃ ভারত পাকিস্তান খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রবা বি.এস.এফ জৱান দিপক চীংঙাখমগী য়াইরিপোক্তা লৈবা য়ুমদা চত্তুনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাগী

অধ্যক্ষ টি.ঐচ. সত্যবর্তনা লুচিংবা এম.এল.এ কাংবু অমনা অথৌবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মখোয়না মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রববু ইকায় খুমবা উৎখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এশিং- পাউনম ব্রোজেন, নুর হাসন, কোংখাম রোবিন্দ্রো, নিশিকান্ট শাপম, কে.ঐচ. লোকেন, ডাঃ ৱাই. রাধেশ্যাম, তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমসুং এল. রামেশ্বর য়াওখি।

অমরোমদা, সেবা ভারতি মণিপুর অমসুং রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ মণিপুর প্রান্টকী কাংবু অমসু লৈখিদ্রবা দিপক চীংঙাখমগী য়ুমদা চত্তুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি হায়রি।

যাত্রা (এল)ঃ বি.জে.পিনা শিন্দুনা নুমিৎ ১১ নি চুপা ভারত শিন থুংনা চত্থগদবা তিরঙ্গ যাত্রা ঙসিদগী মণিপুরদসু হৌখ্রে। যাত্রা অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ওপরেসন সিন্দুর চাউনা মায় পাক্লবা মতুংদা ভারতকী আর্মদ ফোর্সকী থৌনা অমসুং কৎথোকপবু ইকায় খুমবা ওইনা শিনবনি।

যাত্রা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা কৈথেল এরিয়াদা কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা লুচিংদুনা তিরঙ্গ যাত্রা চৎখি।

লৈবাক্কী অতে মফমশিংদসু তিরঙ্গ যাত্রা পাঙথোকরি। নিউ দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা মীয়ামা তিরঙ্গ যাত্রা পাঙথোকখি।

ৱিমেন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.দব্লিউ)না শিন্দুনা নুপীশিংদা মীওৎ মীনৈ চত্থবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা দাইরেক্তোরেট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়াতিরাজগী এস.আই.আর.দি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দ সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখিবা থৌরম অদুদা এম.এস.দি.দব্লিউগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোনসাংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। আর.দি এন্দ

পি.আরগী দিরেক্তর কে.এস.ঐচ উমানন্দ অমদি এম.এস.সি.দব্লিউগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

আরপিআই (এল)ঃ শিরুই লিলি কুম্মে য়াওবা চৎপদা অথিংবা পীগনি হায়বগী থৌওংবু আর.পি.আই (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেটরি থৌনাউজম মহেশ্বরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌওং অসি ফুরুপ মশেল মরক্তা লৈরিবা নুংশি চান্নবগী মরী থদৎনবা হোৎনবনি। পেলেস কম্পাউন্দদা মৈপা হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মহেশ্বরনা মখা তানা হায়- রাজনিতিদা নহাশিং য়াওশিন্দুনা অওনবা পুরকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। তুংগী অফবা মীরোল অমা লৈহৌনবা হৌজিক লৈরিবা নহাশিংনা রাজনীতিদা শরুক য়াদুনা লমদম অসিগীদমক অফবা থৌরাং কয়া পায়খৎকদবনি।

লৌমী (এল)ঃ ঙসি অসি মালেমগী লৌমীশিংগী নুমিৎনি। লৌমী য়াইফ লুপ (লোয়া লুপ)কংলৈপাকা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা লোয়া লুপ কংলৈপাক্কী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট তৌরাংবম বিরজিৎনা হায়- মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইরগা লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা মফমশিংগী লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা শেনফমশিং ফংদনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাকা সর্ভে তৌদুনা মরী লৈনবা চে চাংশিং লৌখৎখিবসু লৈখ্রে। অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরদা ওইরবসু কোকবা হোৎনবীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

নাকল অমরোমদা, রাজ্য অসিদা কাংলোন কায়না তিলহাৎ হিদাক য়োল্লিবশিং অসিগী মথক্তা লোয়া লুপ কংলৈপাকনা মীৎয়েং চংবা হৌরগনি হায়নসু তৌরাংবম বিরজিৎনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- তিলহাৎ হিদাক য়োনদুনা শেন্দান লম্বী ওইনা চত্থরকপা অসি লাইবক থিবনি। তশেংনা হিরম অসিদা অসিদা থবক তৌবীগে হায়রবসু চৎন কাংলোন ঙাকা থবক তৌবীয়ু।

দিষ্ট্রিব্যুতরশিংদগী তিলহাৎ হিদাকচিংবা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা হিদাক কয়া লৌশিন্দুনা য়ুম য়ুমদা থন্নগা য়োনবগী থবক চথরকপা অসিনা অরানবা লম্বীদা শিজিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসি থোক্তনবা হোৎনমিন্নশি।

চান্দেল (এল)ঃ মণিপুর সকরকারগী দাইরেক্তর হেলথ সার্ভিসেস ডাঃ চমবো গোনমৈনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল য়েংশিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অদু সুপর স্পেসিয়েলিতি অমদি স্পেসিয়েলিতি হেলথ কেয়ার পীনবগা মরী লৈননা য়েংশিনখিবনি।

মীহুৎ কাংবু অদুনা চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, মেদিকেল ওফিসার, নর্স অমদি অতৈ ষ্টাফশিংগা লোয়ননা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হোস্পিতাল অসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অমদি লৈরিবা অৱাৎপশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীহুৎ কাংবু অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী জোইন্ট দিরেক্তর ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র, দিপুতি দাহরেক্তর ডাঃ য়ু. জগিন্দ্রো, নেসনেল হেলথ মিসন (ব্লড সেল)গী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ দয়ালক্সমি, দিষ্ট্রিষ্ট হেদলাই সোসাইতিগী এম.ও- ডাঃ এম.দি. রাফিক অমদি হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার ৱাই. দিলিপ শরুক য়াখি।

মাষ্টেক (এল)ঃ ত্রান্সফোর্মিং মণিপুর থ্রু গ্রাসরুট ইনজেন্যুইতি হায়বা ৱাখল্লোনদা নুমিৎ হুমি চথগদবা রাজ্য থাক্কী ত্রেনিং ৱার্কসোপ অমসুং ইনোভেটরস মিট ঙসিদগী তাকয়েলদা লৈবা মাষ্টেক কমপ্লেক্সতা হৌখ্রে। থৌরম অদু মাষ্টেক অমসুং নেসনেল ইনোভেসন ফাউন্দেসন ইন্দিয়ানা পুন্না শিনবনি।

আর্মি (এল)ঃ সেনাপতিদা ঙসি ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোরনা শিন্দুনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদু ভেটরানশিংনা মরৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাং অদুবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা শিনবনি। রেল্লি অদুদা পুন্না মীওই ৫২০ শরুক য়াখি। মখোয়দুগী মনুংদা

বির নারি অমসুং বির মাতা ১৮, লানদা লৈখিদ্রবা সিফাইশিংগী লোয়নবী ৮৫ অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওরি। মখোয়না লান্মী অমা ওইনা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরম্বা অদুবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা রেল্লি অদু পাঙথোকপনি।

নোনে (এল)ঃ নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নর্সশিংবু ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা দিজিগনেতেদ চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ অজিন মরিংমৈনা নর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথাখি। অয়ুক নুমিদাং খায়দনা চোকথবা নাইদনা থবক তৌরিবা নর্সশিং অসি অনা লায়েংশঙগীদি য়াংলেন শরুনি হায়রি।

নোং ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমনিরোম অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্যশিং-অরুনাচল প্রদেস, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, অসাম অমসুং মেঘালয়দা অকনবা নোং চুরবা য়াই। অসাম অমসুং মেঘালয়দদি ঙসি য়ামা কন্না নোং চুগনি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-মধ্য প্রদেস, বিধরবা, ছাতিসগর, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, সিক্কিম অমসুং বিহারদসু লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অকনবা নোং নুংশিৎ অমস্ং অখাক অরাও য়াওনা মচি-মচিদা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাগী মনুং চনবা তেলঙ্গনাগী ঙমখৈদা লৈবা কারেবুতা চীংদা নুমিৎ ২১ নি চত্থরকপা এন্তি মাওইষ্ট ওপরেসনদা নুপী ১৬ য়াওনা মাওইষ্ট ৩১ হাৎখ্রে।

বিজাপুরদা ঙসি সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সি.আর.পি.এফ)কী দাইরেক্তর জেনেরেল গ্যানেন্দ্র প্রতাপ সিংহ, ছত্তিসগরগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস- অরুনদেব গৌতম অমদি বিজাপুর সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিতেন্দর ক্মার যাদব য়াওনা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমগী মতুংইন্না হৌখিবা এপ্রিল ২১ দগী মে ১১ ফাওবা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা

এস.এল.আর য়াওনা সেমি ওতোমেতিক নোংমৈ ৩৫ অমদি আই.ই.দি ৪৫০ ফংখি। মসিগীসু মথক্তা মাওইষ্টশিংগী লোৎফম ওইবা বঙ্কর ১১৪ থুগাইখি অমসুং কিলোগ্রাম লিশিং ১২ রোমগী চান থকবা পোৎলমশিং ফংখি হায়রি। ওপরেসন অদুদা শিখিবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মখোয় ২৮ দি মশক মমিং খঙবা ঙমলে।

সি.আর.পি.এফকী দি.জি. গ্যানেন্দ্র প্রতাপ সিংহনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা মথং চহিগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটশিং মরু ফংনা মুখৎনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না কেন্দ্রগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য পুলিসকা খুৎশমদুনা এন্তি মাওইষ্ট ওপরেসনশিং লেপ্পা লৈতনা চখরকখিবনি।

বিএসএফ ঃ পাকিস্তান রেঞ্জরসনা হৌখিবা এপ্রিল ২৩ দগী ফাজিনদুনা থল্লকপা বি.এস.এফকী জৱান পুরনম কুমার সো ঙসি অয়ুক থাদোরক্লে। অমৃটসরগী অটারি জোইন্ট চ্যেক পোষ্টতা মহাকপু ভারত্তা খুৎশিন্নরকপনি হায়রি। জৱান অসি পঞ্জাবকী ফিরোজপুর সেক্তরদা শোইবদগী অন্তরজাতিগী ঙমখৈ লানশিল্লুবনি। মহাকপু খুৎশিন্নরকপগী থৌরম অদু শান্তি ওইনা অমসুং চৎন কাংলোন কায়দনা পাঙথোকখি। মহাক ফাজিনখিবা মতম অদুদা ঙমখৈ মনাক্তা থবক শুদুনা লৈবা লৌমীশিং ঙাক শেনবা টিম অমদা য়াওবনি।

দিফেন্স ঃ ভারতকী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনেরেল অনিল চৌহান, লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, এয়ার ষ্টাফকী মকোক এয়ার চীফ মার্সেল এ.পি. সিংহ অমসুং নেভিগী মকোক এদমিরেল দিনেশ কে. ত্রিপাথিনা ঙসি রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নদুনা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতিনা আর্মদ ফোর্সকী থৌনা অমসুং মথৌদা কৎথোকপবু থাগৎখি অমদি তেরোরিজমগী মায়োক্তা শিংথানিঙাই ওইনা ভারতনা মায় পাকখিবদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎখি।

ওপরেসন ঃ ভারতকী ওপরেসন সিন্দুরবু মালেমগী দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা লান্মীগী মায় পাকপা অমনি হায়না থাগৎনরক্লি। এক্সপার্টশিং অদুগী মনুংদা মমিং লৈরবা য়ু.এস. মিলিটরি ভেটেরান অমসুং নিউয়োকতা লৈবা মোর্দন ৱার ইন্সটিট্যুটকী অরবা ৱার ফিয়ার ষ্টদিজগী মকোক জোন স্পেন্সর য়াওরি।

এপ্রিল ২২ গী পহলগাম এটেক পল্লদুনা স্পেন্সরনা হায়- মমাংগী থৌদোকশিংগা ইমান মান্নদনা ভারতনা অমুক পন্থৱা লৈতনা পাউখুম পীখি। মহাকা খোঙজং অদুবু য়ামা য়াংবা অমসুং মফম চপ চানা খঙলগা পাঙথোকখিবা খোঙজং অমনি হায়না শিংথাখি অমসুং ন্যুক্লিয়ার ব্লেকমেলগী মায়োক্তা চপ য়ুংনা লেপ্পগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দিমাপুর রোড এথলেটিক ওর্গনাইজেসন্না ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসন্না অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি তাকয়েলগী সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব অমদি এফ.সি ইম্ফাল পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। মণিপুর পুলিস স্পোর্টর্স ক্লবনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ তরুকশুবা কাইয়ো ট্রোফি ফাইব মেন এ সাইট নোকআউট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ফাইভ ব্রদরস এফ.সি ৱাংঙু অমদি

ইমোইনু এফ.সি-এ কুম্বী পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  শলাম য়ুথ লার্নিং ক্লবনা লৈখিদ্রবা শোরোকখায়বম য়ামবী সিংহগী মিংদা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল নাইন মেন এ-সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.এ.সি য়ুরেম্বম অমদি পি.কে.ৱাই.দি.সি ফুমলৌ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। ফয়েং এফ.সি অমদি এস.এস.ৱাই.সি তাওথোংদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। কৈনৌ এফ.সিনা কে.এফ.সি কিয়ামবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ  অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ফাইনেলদা থাউ থাংমৈবন্দ অমদি এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোক লম্বা তৌনরগনি। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা থাউ থাংমৈবন্দনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ফিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ২১৭ তা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচতদা- পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদনা পি.সি.সি ময়াইকোইবীনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ২৪৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু রন ১২৩ দা মায়থিবা পীখি।

------